HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



রিমসকী কোলেজ ওফ নর্সিংদা ট্যুটর ওইরম্বী মাদোনা য়ূম্নামনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবীদা লৈবা মহাক্কী য়ূমদা ইন্সটিট্যুট অসিগী ষ্টাফশিংনা তূমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখিবা

‘লমদমসিগী য়েলহৌমী কন্নবা লৈঙাক্না পোলিসী শেম্বা মথৌ তাই’
☛ লামায় ২

চীংদা অহেনবা হেলিকোপ্টর সর্ভিস ২ লৈরগনি
লামায় ৩

হকথেংনবা পাউদম মোরেদগী লাঞ্জেল্লকখিবা খুঞ্জা অমা
☛ লামায় ৫

অচুম্বা পুৱারীবু কৈদৌনুংদা নাথৈহনবা ঙম্লোই : নেপো
☛ লামায় ৬

ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরমগী মাঙওইননা এস পি ইম্ফাল ৱেষ্টকী মখাদা সেকমাই পুলিসনা কম্বান্দো টিমশিংগা চথখিবা ওপরেসনদা গ্রেনেদ ১৪ য়াওনা নোংমৈ অমসুং ট্যুব লঞ্চিং ৭ ফাগৎখিবা



Vol. 47, Issue No. 143 | লৈবাকপোকপা, থৱানগী ২৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, August 15, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

## বৃটিশকী মখূৎতগী মণিপুরনা নীংতম্বা ফংখিবগী থৌরম মফম কয়াদা পাক শন্না পাঙথোক্লক্খ্রে



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচএনএস) :** অদুঙৈ কুমজা ১৮৯১গী এপ্রিল ২৩গী খোঙজোম লানফমদা মীতৈ অথৌবশিংনা বৃটিশকী মখূৎতা মায়থীবদগী মখোয়গী মখা পোন্না লৈরকখ্রবসু ওগষ্ট ১৪গী অহিংদা পীরম্বদগী অমুক হঞ্জিন্না ফংখিবা মণিপুরগী নীংতম নুমিৎকী থৌরম ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাক শন্না পাঙথোক্লক্খ্রে।

থৌরম অসিমক ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### লোই থাখিবা অথৌবশিংবু নৌহৌননা নীংশিংখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচএনএস):**

মণিপুরনা বৃটিশকী মখূৎতগী নীংতম্বা হঞ্জিনখিবা নুমিৎ অসিদা ঙসি লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙনা শীন্দুনা অদুঙৈ কুমজা ১৮৯১দা শোক্লখিবা এঙলো-মণিপুর ৱারগী মতুংদা লোই থাখিবা অথৌবশিংবু নৌহৌননা নীংশিংবগা লোয়ননা মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংবু তরাম্না ওকখ্রে।

থৌরম অসি অজাদি কা অমৃট মহোৎসবকী মনুং চন্না পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা শ্রীশ্রী বাল মুকুন্দ দেব ম্যুজিক ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## এসেমব্লিগী অখন্নবা মীফম পাঙথোক্তুনা লৈঙাক্না ‘তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন’গী মায়োক্তা ৱারেপ লৌরকপদা নাগা এম এল এশিং নাকপাক তানরক্কদৌরিব্রা

**ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী) :** তমথীরবা কাঙলূপ মশেলগী লান চথরকপদগী মীয়াম্না মরু ওইনা তম্পাক্কী সী এস ওশিং অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অখন্নবা মীফম পাঙথোক্তুনা লান অসিগী মতাংদা খন্নবগা লোয়ননা মণিপুরগী অপূনবা ঙমখৈগী শক্তম কায়হন্দনবা ৱারেপ লৌগদবনি হায়বগী অকনবা প্রেসরদগী লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু মীফম পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা কেবিনেট মীফম্না ৱারেপ লৌদুনা মীফম কৌনবা থবক লৌখৎনবগীদমক গভর্ণরদা হায়জখিবা লৈরে হায়রগসু ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ তারকপা ফাওবদদি রাজ ভবনদগী এসেমব্লিদা সেসন কৌনবগী অয়াবা চেরোল লাকখিদ্রি। অদুম ওইনমক কেবিনেট মীফম্না লৌখিবা ৱারেপ্তুদি অখন্নবা মীফম অসি থা অসিগী ২১দা পাঙথোক্লবা হোৎনখিবগা লোয়ননা ঙসি ফাওবদা মীফমগী সমন তৌখিদ্রবসু থেংলবদা মথং থাগী ২ ফাওবগী মনুংদদি শোয়দনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কুকি-জো ফুরুপশিংনা তাল্লক্লিবা মণিপুরদগী তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন পীনবগী দিমান্দগী মায়োক্তা করিগুম্বা লৈঙাক্না ৱারেপ নাগা এম এল এশিং নাকপাক তানরক্কদৌরিব্রা হায়বগী ৱাফম থোরক্লে।

পাউগী এজেন্সী অমনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা পার্টিশিংদা হৌজিক হাউসকী মেম্বর ওইরিবা নাগা এম এল এ ১০গী মনুংদগী ৮দি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক্না সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়োক্তা ৱারেপ লৌরকপদা শোয়দনা শৌগৎলক্কনি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোক্লি।

নাগা এম এল এ ৮ অসিগী মনুংদা কারোং এ সীদগী কারকখিবা ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ, কে কুমোসা য়াওরিবনি। অদুগা লেমহৌরিবা নাগা এম এল এ ৭না লৈঙাক লুচিংলিবা বি জে পি অমসুং মসিগা চৎমিন্নরিবা এন পি এফ অমদি লৈঙাক অসিবু শৌগৎলক্লিবা এন পি পিগী এম এল এশিংনি।

পাউ অসিনা মখা তানা, অপূনবা নাগা এম এল এ ১০গী মনুংদা য়াওরিবা এন পি এফকী এম এল এ ৫গী মনুংদগী লোসি দিখোদি সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়োক্তা ৱারেপ লৌরকপদা শৌগৎলোইদৌরি ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

### নীংতম নুমিৎকী পাউজেল

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচএনএস):** হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক অসিগী ৭৭লক শুবা নীংতম নুমিৎ থৌরমগী মাঙওইননা গভর্ণর অনুসুইয়া উইকে অমসুং চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা য়াইফপাউজেল পীরক্লি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### পাউচে পুথোক্লোই

ঙসি ওগষ্ট ১৫ ইন্দিপেন্দেন্স দেগী প্রেস ছুটি ওইবনা ওগষ্ট ১৬তা পাউচে অসি পুথোকচরোই।

- মেনেজর

## মীতৈদা ওনশিন্দুনা চৈখিবা প্রোফেসর খমখানসুৱান হাওসিংগী ৱাকৎ সুপ্রিম কোর্টনা তাখিদ্রে



অদুম ওইনমক ৱাকৎচবা য়ানবা চয়োল ২গী প্রোটেক্সন পীখ্রে

**ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী) :** মে ৩দগী থোরকখিবা কাঙলূপ মশেলগী লানগী মতাংদা ‘দি ৱায়র’ দা পীখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা মীতৈ ফুরুপ্তা ওনশিন্দুনা অকনবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি হায়বগীদমক চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফালগী কোর্টতা ৱাকৎলকপদগী কোর্ট অসিনা লৌখৎপা ক্রিমিনেল কেস অনীগা মরী ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

### মণিপুরগী লানগী মতাংদা সী বি আইনা অনৌবা কেস ৯ পায়গদৌরি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচএনএস):** মণিপুরদা মে ৩দগী থোরকখিবা তমথীরবা লানগী মনুং চন্না থোকখিবা থৌদোকশিংগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংনা য়াল্লবা কেসশিং ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## লমহেনবা কুকি-জো মিলিটেন্টশিংনা মীতৈদা কাইহৌবা লেপত্রি

## কৌত্রুক্তা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী হন্দুনা খূৎ থোক্লখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা নোংম-নীনিদা মণিপুরগী ঙমখৈ ফৈগাক ফৈনা ঙাক্লক্লিবা মীতৈশিংদা নোংমৈ অমদি বোম্নচিংবা কাপশিন্দুনা কাইহৌরকপা খরা লেপ্লুরবা মতুংদা খঙহৌদনা লমহেনবা কুকি-জো মিলিটেন্টশিংনা লমশাং পি এসকী মনুং চল্লিবা কৌত্রুক মীতৈ খুলগী য়ূমশিং তম্না নোংমৈ কাপথরকপদগী খুল ঙাক্লিবা খুঞ্জাশিংনসু হন্দুনা ঙাইহাক খূৎ থোক্লখ্রে। থৌদোক অসি ঙসি নুমিদাং পুং ৯.১৫ রোম তারকপদা থোকখিবনি। থৌদোক থোকফমদগী ফংবা পাউনা হায়বদা কৌত্রুক খুলগী মনীং ওইরপ্না লৈবা বেথেল কুকি খুলদা হৌজিক ফাওবা লৈঙাক্না লৌথোক্ত্রিবা বঙ্করশিংদগী লমহেনবা কুকি-জো মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিনবা হৌরকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিদগী খুল ঙাক্লিবা খুঞ্জাশিংনসু মশা ঙাকথোকচনবগীদমক হন্দুনা নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লখি। অদুবু চৈরক্তা অসাম রাইফলসনি হায়বা সেন্ট্রেল ফোর্সকী কাঙবু অমা চঙশিল্লকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা মখা তানা খূৎ থোক্লখিদে হায়রি। লোয়ননা ঙসি নুমিদাংগী থৌদোক অসিদা নাকল অনীগী মরক্তা অশোক অপন য়াওখিবগী পাউ ফংবা ঙমখিদে।

### মীওই ১ মখোঙদা নোংমৈনা কাপ্লম্লে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচএনএস):** ঙরাং নুমিদাং পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা লিলোং হাওরৈবি তুরেল অহনবী ইদিগা লম্বীগী মফম অমদা শকখঙদবশিংনা মীওই অমা য়েৎ থংবা খুবোমদা নোংমৈ মরূ অমা ...মখা লামায় ৩ কলম ২




ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫